# সি সি মীট – ট্রাউ এফ সি ক্বাকৈথেলনা নিসা থাংমৈবন্দবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা ট্রাউ এফ সি ক্বাকৈথেল মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

২৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নিসা থাংমৈবন্দ অমদি ট্রাউ এফ সি ক্বাকৈথেলনা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ট্রাউ এফ সিনা নিসাবু কিক ফোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।



মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না হৌরকপদগী অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গলশিং ফুদোক্লদুনা লম্বা তৌনখিবনা মপাল কাঙজৈবুংদা মেটচ অসিবু মীৎয়েং তাখিবা মীওই লিশিং ১৫০০গী পূক্লিং চীঙশিনখি।

নিসা থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী টিমগী কোচ কে এস ঐচ বিরবলনা মোরিস পাপুচনা ওফেন্সিপ্তা, এল গৌরোনা মিল্ডফিল্ডদা অমসুং লমজিংবা মুতুমনা দিফেন্স লাইন অপ্তা লুচিঙদুনা অকনবা ষ্ট্রাটিং এলবেন শেমখি। অদুগা ট্রাউ এফ সি ক্বাকৈথেলগী কোচ এল নন্দকুমারনা প্রিন্সৱিল ইমেকানা ওফেন্সিপ্তা, কে ফালগুনিনা মিল্ডফিল্ডদা অমসুং টিম অসিদা খ্বাইদগী লীরবা এক্সপ্রিয়েন্স লৈরবা এম মৈনোনা দিফেন্স লাইন অপ্তা লুচিঙদুনা শান্নরকখি।

ট্রাউ এফ সি অমদি নিসা থাংমৈবন্দনা লম্বা চানা শান্নবা হৌখ্রবসু নাকল অনীমক্না খুদোংচাবা কয়া ফঙনখি অদুবু টিমশিংনা তৌখিবা এটেমশিং অদু খরানা কোষ্ট বারদা পান্দুনা অরেম্বা তাহনখি।

ট্রাউগী প্রিন্সৱিল অমদি থোপীনা নিসা থাংমৈবন্দগী দিফেন্স লানশিন্দুনা বোল পুশিনবা অঙম তান্নখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা অদুমক লৈখি। নিসাগী মায়কৈদগীসু মিল্ডফিল্ডদগী এল গৌরোনা মহাক্কী টিম মেট মোরিস পাপুচনা চেনলকপা মায়কৈদা খুদোংচাবা কয়া শীন্দুনা বোল খায়রক্তুনা গোল এটেম কয়া তৌখি অদুবু ট্রাউগী গোল কিপ্পর মীথুন সমন্তনা ঙাথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইদা ট্রাউনা তাঙনা ফঙবা খুদোংচাবা অমদা থোপীনা তৌখিবা গোল এটেম অদু নীংথিনা ফিনিশিং পীবা ঙমখিদবনা অরেম্বা তাখি। নিসাগী মায়কৈদগীসু হাল্ফকী মিনিট লোয়রমদাইদা খোঙথাং অহুমলক্তা গোল মাঙজিল থাবগী খুদোংচাবা ফঙখি অদুবু নিসাগী গোল এটেমশিং অদু ট্রাউগী গোল কিপ্পর মীথুননা মশা চোঙথোক্তুনা সেব তৌখিবনা নীংবা কায়হনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নাকল অনীমক্না অহানবা হাল্ফতা লৈন্নখিবা মখোয়গী অহৌবশিং অদু মেন্সিলক্তুনা শান্নবা হৌরকখিবনা মেটচ অসি ময়োল অমদা লাকখি।

ট্রাউনা মখোয়গী পোজিসনদা চাউনা অৱাৎপা অমা লৈখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা নিসা থাংমৈবন্দনা মশিং থীঙমদনা এটেক চথখ্রবসু মৈনো অমদি মীথুননা ট্রাউবু মেটচকী অরোয়বা মীকূপ ফাওবা খোঙফম চেংনা লেম্নবা হোৎন্দুনা মখোয়গী টিমবু মেটচ অসিগী কন্টেসতা অদুমক য়াওহনখি।

নিসাগী মায়কৈদগীসু এল গৌরোনা মিল্ডফিল্ডদগী মহাক্কী হৈথোইশিংথোইবশিং উৎথোক্তুনা ট্রাউগী মায়কৈদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহনখি।

নিসাগী কোচনা মখোয়গী টিমনা ট্রাউবু মেটচ অসিগী মিনিট পুং ফারকপা অদুৱাইদা লাকশিন্না শান্নরকখিবগী তাঞ্জা লৌদুনা বেঞ্চতগী এল সনাতোম্বা অমদি ওকোরোগো থাজিনলক্তুনা ট্রাউবু মীপায়বা পোকহনখ্রবসু মীথুন সমন্তনা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স উৎখিবনা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোম পেনাল্টি মাক কাওন্নখি।

পেনাল্টি কাওন্নবদা ট্রাউগী জর্সি নম্বর ১০ প্রিন্সৱিল ইমেকা, জর্সি নম্বর ২৪ এস ঐচ নেত্রজিৎ, জর্সি নম্বর ১২ জেমি মাইবম, জর্সি নম্বর ২ সহাবাস অমদি জর্সি নম্বর ১৫ এস দিনেস মখোয় মঙামক গোলদা ওন্থোকখি।

অদুগা নিসাগী জর্সি নম্বর ২৫ ওকোরোগো, জর্সি নম্বর ৪ লমজিংবা মুতুম অমদি জর্সি নম্বর ১৬ এম ক্লিন্টননা গোল ওন্থোখ্রবসু মরিশুবা কিক্কর জর্সি নম্বর ৮ এন মোমোচানা গোল ওন্থোকপা ঙমখিবদনা ট্রাউনা মেটচ অসি ৫-৩ দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা নিসা থাংমৈবন্দগী জর্সি নম্বর ১৩ ঐচ তেলহৈবা, জর্সি নম্বর ৮ এন মোমোচা, জর্সি নম্বর ২৫ ওকোরোগো অমসুং ট্রাউ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৫ এস দিনেস, জর্সি নম্বর ১২ জিমী মাইবম অমদি জর্সি নম্বর ২৪ এস ঐচ নেত্রজিৎতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস সিংহ, এস ওনিল সিংহ , এস কেনেদি অমদি থাও জোনি চোথে অমদি কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

**Next Match**
28/12/2019
**1st Quarter Final**
Match No. 25
LABAN CLUB, Shillong
*vs*
KLASA , Keinou
Time : 1.45 pm.

# জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টদা ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্টনা পময়াল ইম্ফাল ৱেষ্টবু থোয়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা টিম ১০না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ৩১ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইষ্টন স্পোটিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে ৱাই ভি ও বিষ্ণুপুর অমদি এস দব্লিউ সি ইম্ফাল ইষ্ট দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী পাৎসোই মখা য়াইফা লূপ ( পময়াল) ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইষ্টন স্পোটিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ুনা পময়ালবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।



মায় পাক্লবা ই এস য়ুগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৩ চন্দুনা পূন্না গোল মরি অদু চনখিবনি। শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিট ৬ তা ইষ্টন স্পোটিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টগী জর্সি নম্বর ১৭ পিনাওবা মৈতৈনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু ইষ্টন স্পোটিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টনা পময়ালবু লাকশিন্না শান্নদুনা মেটচকী মিনিট ৩৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ১২ এম অরিফনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল তাখি।

ই এস য়ু জর্সি নম্বর ১০ এল ঙৌবা মৈতৈনা মিনিট ৪৬ চৎপদা টিমগী অহুমশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনিট ৫ কান্নরগা ৫১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ এস ঐচ রাজধাননা মরিশুবা গোল চন্দুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি।

মায়থিরবা পময়ালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনিট ২দা জর্সি নম্বর ১১ এম মাইকেলনা চনখি।

মেটচ অসিদা ইষ্টন স্পোটিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টগী জর্সি নম্বর ১২ এম অরিফ অমসুং জর্সি নম্বর ৬ কে এস ঐচ সোমোকান্তদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি জোনি চোথে, কে ঐচ রঞ্জিৎ, এল গোকুলানন্দ অমদি টি ঐচ কিরনজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী কে আই ভি ও বিষ্ণুপুর অমদি এস দব্লিউ সি ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা নাকল অনীনা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী হৌনা নাকল অনীনা লম্বা মান্না শান্নদুনা খুদোংচাবা কয়া ফঙনখি। টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চখন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্তশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা টিম অনীমক্না পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা মেটচ অসি লোইশিনখি।

মেটচ অসিদা কে আই ভি ও বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ৯ এস ধনচন্দ্র অমসুং এস দব্লিউ সি ইম্ফাল ইষ্টকী জর্সি নম্বর ১২ এস রোবিনসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ঐচ রঞ্জিৎ, এল গোকুলানন্দ , দব্লিউ ইবোয়াই অমদি জোনি চোথেনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৩০ অয়ুক পুং ৮ তাবদা গ্রূপ-বিগী আইদেল এফ সি চুড়চান্দপুর অমদি নেরোকা এফ সি ইম্ফাল ইষ্টনা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা এস এফ সি ককচিং অমদি আই এফ সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# নুমিৎ ১৫ নিগী ত্রেন্নিং হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ ( এ এম ঐচ এল এল)গী মীৎয়েং মখাদা মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লানলোং শীন্তম শঙলেন ( মিহুল) খোংমন ওক্রম চুথেক অমদি য়াইকাইপূঙ থৌপাঙ লূপ লমদিং ( ৱাই টি এল )না পূন্না শীন্দুনা ঙরাংদগী ইপূথৌ ইকোক নিংথৌ লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টদা নুমিৎ ১৫ নি চখগদবা নন- রেসিদেন্সিয়েল হুয়েন লানলোং ( থাঙ-তা, চৈবী অমদি শরিৎ শরাৎ) ত্রেন্নিং কেম্প ২০১৯ হৌখ্রে।

ইং ২০২০গী জনুৱারি ৯ ফাওবা চখগদৌরিবা নন-রেসিদেন্সিয়েল হুয়েন লানলোং ত্রেন্নিং কেম্প অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়াইকাইপূঙ থৌপাঙ লূপ ( ৱাই টি এল ) লমদিংগী প্রিসিদেন্ট লাইখুরাম বালদেব, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ ( এ এম ঐচ এল এল) গী ওক্রম মঙলেম মৈতৈ অমদি পি ইবোতোম্বীনা মথংশীৎনা প্রিসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# এস এস সি অমদি কে এস দি সি ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী টিম ৭ না গ্রূপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থন্দালখোংদা চথরিবা কোইজম মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০গী ফাইনেলদা সোসিয়েল স্পোর্টিং ক্লব ( এস এস সি) শেক্তা অমদি খোমিদোক সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব ( কে এস দি সি ) খোমিদোকনা থা অসিগী ৩০ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শান্নরগনি।

লীগ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রিসিদেন্ট ঐচ সুলঞ্জয়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট জিলা পরিষদকী উপ-অধক্সা কে এস ঐচ তমা, উচেক্লোন নোংপোক জিপিগী প্রধান এন জদুমনি, কাঙচুপ জেলজাংগী এস দি ও তোইজম ওপেন্দ্রো সিংহ, রিটিয়দ কর্ণনেল ইনিদয়ান অর্মি সি ঐচ জয়রাজ মৈতৈ অমদি কে সি দি ও কোঙপালগী প্রিসিদেন্ট টি ঐচ কেশ্বরজিৎনা মথংশীৎনা প্রিসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

লীগ অসিগী ১০ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস এস সি শেক্তানা য়ু দি ও হৈঙাংবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস এস সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৫ ৱাই বিগিয়ানন্দনা মিনিট ৬৬ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই হেমন্ত, ৱাই ইঙোবী, এল রাজা অমদি টি প্রেমজিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

১১ শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে এস দি সি খুমিদোকনা বি এস য়ু কৈরাওবু কিক ফোম পেনাল্টি মাক্তা গোল ১৩-১২ তা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি প্রেমজিৎ, এন অমরজিৎ, ৱাই ইঙোবী অমদি ৱাই হেমন্তনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# দব্লিউ মলেশ্বরিনা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ কে আই আই টি য়ুনিভর্সিটি ভুবনেশ্বর ওড়িশানা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী ৩০ ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা চখগদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি অর্চরি ( মেন এন্দ ৱুমেন) চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০গী ঙসি হুমনিচনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৫ লৌখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী গোল মেদল অদু ৩০ মিটর ৱুমেন'সতা দব্লিউ মলেসশ্বরি দেবীনা পূন্না স্কোর ৩৩০ ফঙদুনা লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা ৩০ মিটর মেনদা সত্যকুমার ঐচনা পূন্না স্কোর ৩৩৪ ফঙদুনা লৌখিবনি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা ৫০ মিটর মেনদা টি ঐচ হিলরনা পূন্না স্কোর ৩২০ (X+10=10) দা , ওভর ওল ৱুমেনদা দব্লিউ মলেশ্বরিনা পূন্না স্কোর ৬৩৩ দা, ওভর ওল মেনদা সত্যকুমার ঐচনা পূন্না স্কোর ৬৪৫ তা লৌখিবনি।

# নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা লেপখ্রে, পোইন্ট য়েন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা মরিশুবা টি সুবোল নীংশিং টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি মোদেল ক্লব অমদি সাইক্লোননা শন্নখিবা মেটচতা অহানবা ইন্নিংস লোয়দুনা অনীশুবা ইন্নিংস হৌরমদাইদা নোংনা মরম ওইদুনা মেটচ মখা চথবা য়াদবদগী নাকল অনীনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

সাইক্লোনগী বেট্টিংদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৬৩ লৌখি।

# আর কে সি (এ) খুয়াথোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ রাইজিং নোংলেঞ্জ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ ৪ থোক্লা শরুক য়াদুনা খুয়াথোংদা চথরিবা মঙাশুবা ইমা মনিশং নীংশিং ষ্টেট লেভেল ফোর এসাইদ মিনি বোইজ (অন্দর-৩৫) কে জি ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আর কে সি (এ) খুয়াথোংনা থাউ (এ) থাংমৈবন্দবু গোল ১২-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু চিংলেনসাননা ৪, জয়না ৩, রোনালনা ৩ অমদি জিবননা ১ চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতনা ওল এফ সি (বি) উরিপোকনা থাউ (বি) থাংমৈবন্দবু গোল ৯-০ দা মায়থিবা পীখি।

# এম এস সি অমদি রোমা এফ সি দ্রো চৎখ্রে, খুরাই এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (এস এন এস)ঃ পুঙদোংবম য়ুঠ ফিজিকেল ক্লব ( পি ৱাই সি )পুঙদোংবমনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩ দগী টিম ১২ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা পীদোইনু ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ু-১৩ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম এস সি খুরাই অমদি রোমা এফ সি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে অতোপ্পা মেটচ অমদা খুরাই এফ সি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এম এস সি খুরাই অমদি রোমা এফ সি গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

এম এস সি খুরাইগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১৭ রোহিটনা মিনিট ২৮ অমসুং রোমা এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ অবিনাসনা মিনিট ৩৫ চৎপদা চনখি।

৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-দিগী শান্নখিবদা খুরাই এফ সিনা এন এন সি কে এবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা খুরাই এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ এন জি বোনিসননা মিনিট ২৮, জর্সি নম্বর ৭ এম দি অসলমনা মিনিট ৩২ অমসুং জর্সি নম্বর ৫ সি ঐচ রোহেননা মিনিট ৩৮দা চনখি।

হয়েং গোল্ডন এফ সি অমদি শেক্তা এফ সিনা নুংথিল পুং ১ দা অদুগা পি ৱাই পি বি সি অমদি খুরাই এন এফ সিনা নুংথিল পুং ২.৩০ দা শান্নগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com